# টাইৱান অমসুং হোং কোংগী মতাংদা য়ু এসনা অওৎ অপা শাদুনা খূৎ থিংজিল্লকপগী মথৌ তাদেঃ জিনপিং

বৈজিং, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী) :

টাইৱান অমসুং হোং কোংগা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা থবক লৈতবগী মওংদা খূৎ থিংজিন্দুনা অওৎ অপা শাবগী মথৌ তাদে। অমদি মখা তানা খূৎ থিংজিনবগী থবক তৌরোইদবনি হায়না চাইনিজ প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



য়ু এসনা লৈবাক কয়াগী থবক থৌরমশিংদা খূৎ থিংজিন্দুনা হেক হেক অকায়বা পীরি। মসি ৱাশিংটনগী হৈনবী অমা ওইনা মতম কয়াগী মমাংদগী লাক্লুবনি। টাইৱান অমসুং হোং কোংগী মতাংদা লৈনরিবা মরী ফৰা নৎত্ৰগা ফত্তবা হায়বদু লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক্লি। লৈবাক অমগী ইন্তর্নেল এফেয়র্সতা খূৎ থিংজিনবা হায়বসি অরানবা থবকনি।

য়ু এসনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা চাইনানা ঙসি ফাওবগী ওইনা অয়েৎ অপন পীবা লৈত্রি। চাইনাগী অপাম্বদি ঈংনা তপ্পা লৈবা চাওখৎপা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লুবা হোৎনবা অমসুং দিমোক্রেসিগী নীং তম্বা লৈহনবনি।

চাইনানা লৈবাক মনুংগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপদা য়ু এসনা য়াম্না তোয়না খূৎ থিংজিল্লিবা অসি তুংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ন রকপা য়াই মরম অদুনা মখা তানা অসিগুম্বা থবক অসি তৌরোইদবনি।

মালেমদা লৈরিবা লৈবাক খুদিংমক্না অচুম্বা ৱায়েল পুথোকপা পাম্মী। অদুবু য়ু এসকুম্বা লৈবাক খরনা মশাগী খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক অতোপ্পা লৈবাকশিংগী য়েংদনা থবক কয়া চথুরি।

য়ু এসতা জো বাইদেনগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং অমুক্কা হেন্না চাইনাগী ইন্তর্নেসনল এফেয়র্সতা খূৎ থিংজিনবগী চাং হেনগৎলক্লি। য়ু এসকা পুন্না চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিং মরু ওইনা য়ুনাইটেদ কিংদম, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং জপাননা চাইনাগী মথক্তা মীৎয়েং কয়া চঙলক্লি।

চাইনাদা মালেমগী চাওখৎলে হায়না লৈরিবা লৈবাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙলক্লিবা অসিগী মতাংদা চাইননাসু চপ চানা খঙবা লৈতে। মখোয়গী মওং অসিদি চাইনাবু নমথনবা হোৎনবনি। য়ু এসনা মশাগী পাঙ্গল থৌনা পুথোক্তুনা হোৎনরবসু চাইনাবু মখোয়গী মখাদা থম্বদি ঙম্লোই।

হোং কোং অমসুং চাইনাগা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ৱা ঙাঙবগী মথৌ তাদে। য়ু এসনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা চাইনাগা মরী লৈনবা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্লি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন, বৃটেন, য়ু এস অমসুং কনাদানা চাইনাগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লক্লি। চাইনাদা লৈরিবা উইগুর মুস্লিমশিংনা ফংফম থোকপা হক চাইনিজ ওথোরিটিনা ফংহন্দে হায়না মরাল পীশিল্লক্লবা মতুং চাইনাগী মথক্তা অথিংবশিং থমজিল্লকখিবনি। অদুবু উইগুর মুস্লিমশিংগী মথক্তা চাইনিজ ওথোরিটিনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চখৈ হায়না মরাল শীরক্লিবা অদু য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি।

অমরোমদা চাইনাদগী হৌখিবা কোরোনা ভাইরসনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা অচৌবা চৈথেং পীখ্রে। কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মীশি মীনা খ্বাইদগী হেন্না থোকহনবা লৈবাক অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা ওইরি। অদুবু মদু চাইনাগী অরানবা নত্তে। য়ু এস ওথোরিটিনা চেকশিনবা ৱাৎপদগী লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ কা হেন্না শন্দোকখিবনি হায়না জিনপিংনা মখা তাখি।

# য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না ম্যান্মার জেনরেলশিংগী মথক্তা অথিংবশিং থমজিনখ্রে



য়ু এন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী) :

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না ম্যান্মার মিলিটরি লিদর ১০ গী মথক্তা অথিংবশিং থমজিনখিবগা লোয়ননা মিলিটরিগী অপূনবা বোদি অনীগী মথক্তসু অথিংবা কয়া থমজিনখিবগা লোয়ননা এসিয়াদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং লৌখৎনবা তকশিল্লক্লি।

ম্যান্মারগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিংগী মনুংদা লুচিংবা অদুগী এসেটশিং ফ্রিজ তৌবা অমদি ভিজা বেন তৌবগী মতাংদা য়াওরি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুদা হৌজিক তংদু লৈতাদবগী ফীভম অমা লাক্লিবা অসি ম্যান্মার লুচিংবশিং অদুনা লনাই ইন্তরেষ্টতা থবক তৌবদগী ওইরকপা ফীভমনি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা ম্যান্মার মিলিটরিশিংনা লৈবাক অদুগী মীয়ামশিংগী রাইট মাঙহন্নবা হোৎনরিবা অদু খুদক্তা লেপকদবনি হায়রি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মার মিলিটরিনা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং মীওই কয়ানা পেন্দবগী খোল্লাওশিং লাউদুনা লাক্লি। মশাগী অনিংবা অপাম্বা ফোঙদোক্নুনা চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা শরুক য়াখিবা প্রোটেষ্টর কয়া ম্যান্মার মিলিটরিনা মীনুংশি লৈতবা মওংদা ওৎ নৈবা অমদি হাৎপগী থবক চথুরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অদুদা ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টর ৭৩৮ কাপ্পুনা হাৎখ্রে অদুগা মীওই ৪,০০০ হেন্না ফাজিন্দুনা থল্লি। ম্যান্মারগী মিলিটরিগী অহেনবা থবক থৌওংশিং অসি লেপত্রবদি ইকনমিগী ওইবা অথিংবা কয়া মখা তানা থমজিনগনি হায়রি।

# রুসিয়ানা ব্লেক সিগী শরুক খরা থিংজিন্নবা হোৎনরক্লিবা অদু মরম চাদেঃ য়ু এস

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী) :

রুসিয়ানা ব্লেক সিগী শরুক খরা থিংজিন্নবা প্লান তৌরিবা অদু অচুম্বা খোঙথাং নত্তে হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রুসিয়ানা লৌরক্লিবা ফিরেপ অদুনা মরম ওইরগা তুংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা নুংঙাইনদবা কয়া লাকপা য়াই হায়রি।

রুসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগা অকনবা মওংদা উংখৎনরিঙৈ মরক অসিদা য়ু এসনা মখোয়গী ৱার সিপ কেরিয়র অনী ব্লেক সিদা থৌজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। য়ু এসনা ব্লেক সিদা ৱার সিপ থৌজিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রবা মতুং মোস্কোনা ব্লেক সিগী শরুক খরা অথিংবা থমজিন্নবা ফিরেপ লৌরক্লিবা অদুবু য়ু এসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

রুসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা রুসিয়ানা অহেনবা মিলিটরি কয়া দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লিবা অদু য়ু এস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা অক্লবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু রুসিয়ানা য়ুক্রেনবু লৌশিন্নবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

য়ুক্রেনদা লৈবা সেপেরেটিষ্ট গ্রুপশিং অদু রুসিয়ানা চাওনা মতেং পাংলি। রুসিয়ানা ঙমখৈগী শরুক্তা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা মখোয়গী ত্রুপশিং লৌথোক্লুবা য়ু এস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবসু রুসিয়না থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি।

হৌখিবা চয়োলদা ৱাশিংটননা রুসিয়াগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখিবগা লোয়ননা রুসিয়ন এম্বেসেদরবু লৈবাক অদুদগী তান্থোকখিবনি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা থৌদোক অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা রুসিয়ানা লৈবাক অদুদা লৈবা য়ু এস দিপ্লোমেটশিং অমুক তান্থোরকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী হৌরগা য়ুক্রেনিয়ম ত্রুপশিং অমসুং রুসিয়ানা বেক তৌবা সেপরেটিষ্ট গ্রুপশিংগা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪,০০০ রোম শিহনখ্রে। রুসিয়ানা চথরক্লিবা অহেনবা থবক থৌরমশিং অদুগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা মীৎয়েং চঙবিনবা য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর দিমিত্রোনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা হীরম অদুগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা হৌরকখিবনি।

# ফ্রেন্স এনভোই লৈহনবা নৎত্ৰগা লৈহন্দবগী মতাংদা পাকিস্তান পার্লিয়ামেন্টতা ভোট তৌগদৌরি



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট ইমানুএল মেক্রোননা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী মায়োক্তা ফজদবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ইস্লাম লাইনিংবু কা হেন্না থাজবা টেহরিক-ঈ-লবাইক পাকিস্তান (টি এল পি) গ্রুপনা পাকিস্তান্দা লৈরিবা ফ্রেন্স এনভোইবু তান্থোকখিনবা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

টি এল পিনা চঙশিল্লকখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদু থিংনবগীদমক হোৎনখিবা পুসিলকী মায়কৈদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। পুলিস অমদি প্রোটেষ্টরশিং খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খোঙজংলোয় ২০ হেন্না শিখ্রে। অদুগা পুলিস ওফিসর ৪ সু মুক্লবগী থৌদোক্তা শিখ্রে।

লৈবাক অদুদা ওইরক্লিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অদু গী য়েংলগা পাকিস্তান্দা লৈরিবা ফ্রেন্স এম্বেসী তান্থোকপা নৎত্ৰগা তান্থোক্তবা হায়বগী মতাংদা পাকিস্তান পার্লিয়ামেন্টতা ভোট তৌরগনি হায়রি।

অমরোমদা করিগুম্বা পাকিস্তান দগী ফ্রেন্স এনভোই তান্থোক্লবদি লৈবাক অদুদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নগদৌরি। পাকিস্তান্দা পুথোক্লিবা পোথোক কয়া মরু ওইনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়োল্লিবনি। করিগুম্বা ফ্রেন্স এম্বেসীবু তান্থোকখ্রবদি পাকিস্তান্না এক্সপোর্ট তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নগদৌরি।

অদুমওইনমক লৈবাক অদুদা হৌজিক ওইরক্লিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অদুনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা পাকিস্তান্দা ফ্রেন্স এম্বেসী লৈহনবা নৎত্ৰগা লৈহন্দবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ভোট পাঙথোক্লুবা লেপখিবনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা টি এল পিগা ৱারী শান্নদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। টি এল পিনসু ফাজিন্দুনা থল্লুরবা পুলিস পর্সনেল ১১ থাদোরকখ্রে। গভর্ণমেন্ট অমসুং টি এল পিগী মরক্তা মতম শাংনা ৱারী শান্নরবা মতুং ফ্রেন্স এম্বেসেদর তান্থোকপা নৎত্ৰগা তান্থোক্তবা হায়বদু পার্লিয়ামেন্টতা ভোট তৌরবা মতুং লেপ্পা হায়না য়ানখিবনি।

# হান্নগী য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট ৱালটর মোন্দালি লৈখিদ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী) :

মশাগী চহী ৯৩ শুরবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱালটর মোন্দালি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈখিদ্রে হায়না য়ু এস মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মোন্দালি মতৌ করম্না শিখিবনো হায়বগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মোন্দালি হৌখিবা কুমজা ১৯৭৭ তগী ১৯৮১ ফাওবা মতমদুগী প্রসিদেন্ট জিমি কার্টরগী মখাদা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরমখি।

লৈখিদ্রবা মোন্দালিনা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইদ্রিঙৈগী মমাংদা মহাক্কী হৌরকফম মিনেসোটাদা এটোর্নি জেনরেল ওইনা হৌখিবা কুমজা ১৯৬০ দগী ১৯৬৪ ফাওবা থবক তৌরমখি। মদুগী মতুং ১৯৬৪ দগী ১৯৭৬ ফাওবা য়ু এস সেনিটর ওইনা লৈরমখি।

জিমি কার্টরনা প্রসিদেন্ট ওইখিদ্রবা মতুং জপানদা কুমজা ১৯৯৩ দগী ১৯৯৬ ফাওবা এম্বেসেদর ওইনা থবক তৌরমখি। মোন্দালিনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অদুদা হান্নগী প্রসিদেন্ট কার্টরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এসকী পুৱারীদা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থবক তৌরমখিবা খ্বাইদগী মতিক চাবা মীওই অমা শিখিবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি লাইবকথিবনি।

মোন্দালি মহাক্কী হৌরকফম মিনেসোটা খক্তা নত্তনা য়ু এস পুম্নগী অমদি মালেমগী ওইনা চাওখৎনবা তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্লম্বা মীওই অমনি হায়রি। মহাক্না লৈখিদবদা হান্নগী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা য়াওনা তোঙান তোঙনাবা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

# কোয়লা শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা তকশিল্লগনিঃ য়ু এস

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী) :

মালেমদা অঙৈং অশাগী খল কায়রক্লিবা অসিগী য়েংলগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা কোয়লা শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা তকশিল্লগনি হায়না সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনটননা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈননা লাক্লিবা শগোলশেন অমসুং ইরাই নুমিত্তা ভরচুয়েল সম্মিট অমা পাঙথোক্ন বগীদমক লৈবাক ৪০ গী লুচিংবশিংদা ইনভাইট তৌখ্রে। সম্মিট অসিদা মরু ওইনা হৌজিক ওইরক্লিবা গ্লোবেল ৱার্মিংগী মতাংদা খন্নগনি অমদি মতৌ করম্না অঙৈং অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি থিংগদগে হায়বগী মতাংদসু কুপ্না খন্নগনি। সম্মিট অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা য়ু এস প্রসিদেন্টনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংদা কোয়লা শীজিন্নবগী চাং হন্থনবা তকশিনগিনি।

# কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 39,00,000 +58,924 | 31,60,000 +52,412 | 60,824 +351 |
| Kerala | 12,50,000 +13,644 | 11,40,000 +4,305 | 4,950 +21 |
| Karnataka | 11,80,000 +15,785 | 10,20,000 +7,098 | 13,497 +146 |
| Tamil Nadu | 10,00,000 +10,941 | 9,14,000 +6,172 | 13,157 +44 |
| Andhra Pradesh | 9,68,000 +5,963 | 9,13,000 +2,569 | 7,437 +27 |
| Uttar Pradesh | 8,80,000 +28,211 | 6,61,000 +10,978 | 9,997 +167 |
| Delhi | 8,77,000 +23,686 | 7,88,000 +21,500 | 12,361 +240 |
| West Bengal | 6,68,000 +8,426 | 6,04,000 +4,608 | 10,606 +38 |
| Chhattisgarh | 5,59,000 +13,834 | 4,24,000 +12,678 | 6,083 +175 |
| Rajasthan | 4,27,000 +11,967 | 3,47,000 +2,408 | 3,204 +53 |
| Madhya Pradesh | 4,21,000 +12,897 | 3,42,000 +6,836 | 4,636 +79 |
| Gujarat | 4,16,000 +11,403 | 3,42,000 +4,179 | 5,494 +117 |
| Odisha | 3,73,000 +4,445 | 3,48,000 +1,503 | 1,948 +4 |
| Haryana | 3,64,000 +6,842 | 3,15,000 +3,663 | 3,448 +33 |
| Telangana | 3,61,000 +5,926 | 3,17,000 +2,209 | 1,856 +18 |
| Bihar | 3,32,000 +7,487 | 2,80,000 +2,619 | 1,790 +41 |
| Punjab | 3,05,000 +4,622 | 2,61,000 +3,418 | 7,985 +83 |
| Assam | 2,26,000 +1,367 | 2,17,000 +312 | 1,142 +7 |
| Jharkhand | 1,67,000 +4,290 | 1,35,000 +1,777 | 1,502 +46 |
| Jammu and Kashmir | 1,48,000 +1,516 | 1,34,000 +813 | 2,063 +6 |
| Uttarakhand | 1,26,000 +2,160 | 1,05,000 +565 | 1,892 +24 |
| Himachal Pradesh | 78,070 +1,695 | 67,084 +595 | 1,203 +13 |
| Goa | 68,152 +940 | 59,705 +428 | 900 +17 |
| Puducherry | 48,336 +565 | 42,931 +336 | 713 +5 |
| Chandigarh | 34,546 +612 | 30,325 +429 | 417 +4 |
| Tripura | 34,094 +60 | 33,194 +16 | 394 |
| Manipur | 29,775 +54 | 29,102 +12 | 377 +1 |
| Arunachal Pradesh | 17,052 +65 | 16,820 +11 | 56 |
| Meghalaya | 14,979 +108 | 14,071 +33 | 154 +1 |
| Nagaland | 12,568 +13 | 12,285 | 94 |
| Ladakh | 12,306 +175 | 10,474 +123 | 133 |
| Sikkim | 6,705 +9 | 6,165 +4 | 136 |
| Andaman and Nicobar Islands | 5,421 +31 | 5,212 +12 | 64 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 5,102 +299 | 3,962 +86 | 4 |
| Mizoram | 4,995 +91 | 4,546 +37 | 12 |
| Lakshadweep | 1,165 +114 | 774 +4 | 1 |

# ইন্দিয়াদগী বৃটেনদা লাকপা নৎত্ৰগনা চৎপদা গভর্ণমেন্টনা অথিংবা থমখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী) :

বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা ইন্দিয়াদা চৎকনি হায়না তৌরম্বা অদু ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ কা হেন্না শন্দোরক্লিবা অদুগী য়েংলগা কেন্সেল তৌখ্রবা মতুং বৃটেনদগী ইন্দিয়াদা চৎপা নৎত্ৰগা ইন্দিয়াদগী বৃটেনদা লাকপদা মতম খরগী ওইনা অথিংবা থল্লে হায়না হেল্থ সেক্রেটরি মেট হেনকোকনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা হৌজিক শন্দোরক্লিবা কোরোনা ভাইরস অসি হান্না লৈরম্বা ভাইরস অদুদগী কা হেন্না মপাঙ্গল কল্লি অমদি শন্দোকপগী চাং য়াম্না থুই। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা চথোক চৎশিন তৌবদা মতম খরগী ওইনা অথিংবা থমজিনখিবনি। ইন্দিয়াগী চঙথোক চঙশিন তৌবদা অথিংবা থম্নবা লৌখিবা ফিরেপ অদু বৃটেনগী ওইনসু য়াম্না লুবা খোঙথাং অমা ওইখি। অদুমওইনমক তঙাইফদনা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী য়েংলগা মতম খরগী ওইনা অথিংবা অদু থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

হৌখিবা কুম্মজা ২০১৯ দা বোরিস জোন্সননা য়ু কেদা পৱার পায়খ্রবা মতুং ইন্দিয়াদা হন্দক লাক্কদৌরিবা অসিনা খ্বাইদগী চাওবা খোঙচৎ ওইগনি হায়না পানখি। অদুবু ইন্দিয়াদা ওইরম্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী খুদোংচাদবশিং অদুনা মরম ওইরগা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু কে অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনী পাউ ফাওনরবা মতুং জোন্সনগী খোঙচৎ অদু কেন্সেল তৌখিবনি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী য়েংলুরগদি প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন মথং চয়োল ফাওবদি ইন্দিয়াদা চৎলোইদৌরি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বোরিস জোন্সন অনীনা লৈবাক অনীগী মরী কা হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা উন্নদুনা ৱারী শানবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুমওইনমক হৌখিবা নুমিৎ ৫নি অসিদা ইন্দিয়াদা নুমিৎ খুদিংগী কোভিদকী অনৌবা কেস লাক্ষ ২ গী মথক্তা থেংনরকপদগী জোন্সনগী খোঙচৎ কেন্সেল তৌখিবনি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, পূকচেপ নাবা, পূক্তা শাগৎপা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খূৎশাশিং শাজিং তোয়না হৌরগা ইনোপ্তা নোপ্পগুম তৌবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা য়াম্না চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎলকপা অশিনবগা লোয়ননা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংলগা লৈবা, চাবা-থকপা য়াদবা, চানিং-থক্লিংবসু পোক্তবা, চাশিল্লগসু চাবা তুমদবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা য়াম্না চিকপা-নাবা, দোক্তরদা য়েংলগা হীদাক গুলি চারবসু চিকপা অদু ফত্তবা, খ্বাঙ য়াম্না নাবা, মসলশিং অসিসু নোং মংবা য়াদবা চিকপা-নাবা, পূকচেপ নাবা, পূক্তা শাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খূৎশাশিং শজিং তোয়না হৌরগা ইনোপ্তা নোপ্পগুম তৌবা, য়েৎকী শাগন নাম্মা মরক-মরক্তা শিথগে তৌরকপা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, খোঙয়া শাবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, বেক বোনদা চিকপা-নাবা, হকচাং অসি ইশোন্তা শোন্থবা, পোথারগতা লৈনিংবা তৌরম্বা অদু অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্ড ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6914/21 থাগৎচরিবা : L. Kunjo Singh, Pishum

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / থাগৎচরি, থাগৎচরি ওজা ABDUL HAK কবিরাজপু

পাইলসনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঐগী হকচাংদা য়াম্না অৱাবা ওইদুনা লৈরকখি। অদুবু ঙসিদি ওজা কবিরাজ Abdul Hak কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজবদগী অমসুং অল্লাহগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চঙবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখাইবা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নাম্থবা, খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ তাবা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা শৌজ চঙউ য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা পুম্নমক মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা অব্দুল হকপু থাগৎচরি। পাইলসকী অনাবা লৈবশিং ঙসিমক ওজাগী Contact No. : 8794429681, 8014623756 তা পাউ ফাওবীদুনা হকচাং নুংঙাইনা হিংবীয়ু।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : Md. Amin
Thoubal Mina Bazar

HL-P/9659/21

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজ রে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি




চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্নবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ুম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্নবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈৰাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : JM Dr Ph Rajendra, (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/9658/21/4-22/5

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওজা রিয়াজুদ্দিন, পাইলসকী কবিরাজপু থাগৎচবা ফোঙদোকচরি



পাইলসকী অনাবনা মরম ওইদুনা ঐহাক মতম কুইনা অনাবা খাঙলকখি। খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, অমাংথোঙ চেখায়রগা নাবা, থুপ্পা-শাবা, শৌজ নাম্থরকপা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খ্বাঙ নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা পুম্নমক অসি ঙসিদি ওজা রিয়াজুদ্দিনগী মনাক্তা চৎতুনা মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু পুন্সি চুপ্পগী কাউজরোই অমদি মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা মপূং ফানা তৌবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি।

লায়েংফম :-(1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal. (2) Mayang Imphal (3) Mantripukhri Friends Colony Bylane-3 (4) Moreh Phaicham Veng. Contact No. : 7085494783 / 9856797338

HL-P/9615/21 থাগৎচরিবা : Chouba, Sagoltongba